থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

## বেঙ্ক পূনশিন্নবসিগী মরুমদা করি ?

রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) হায়বসি ইন্দিয়ন ইকোনোমিগীদমক্তি, হকচাংদা মিহুল হুলহল্লিবা, খ্বাইদই মরু ওইবা হকচাংগী ইন্দ্রিয় (ওর্গান) অদুগুম্বনি। কনানা মসিগী মকোক ওইরিবগে হায়বদুগী মখা পোন্না, ইন্দিয়াগী ইকোনোমিগী মরাইবক লেপ্পী হায়নরিবনি। ঙসি ফাওবগী আর বি আইগী ত্রেদিসন'দা ফম অসি ইকোনোমিস্ককী লম্‌দা নীংথিনা খঙ-হৈরবা (ইকোনোমিষ্ট) অমবু পায়হনবা চৎনরকই। পাৱর পায়রিবা পোলিটিসিয়নশিংগী খূৎচাবী ব্যুরোক্রেট ওফিসর অমবু খন্দুনা পুহনবা তৌনরক্তে।

হৌখিবা চহী খরসিদা, মরুওইনা কুমজা ২০১৬কী দিমোনিটাইজেসন মতুংদা আর বি আইগী গভর্ণরশিং, মতিক চাবা মরম পীদনা ফম থাদোকপগী, কনাবু মথংগী গভর্ণর ওইহনগদগে হায়বনচিংবই পাউ অসি পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা, হেদলাইন ন্যুজ ওইনা ফোঙনরকপা থেংনখি। ইশানা ইকোনোমিষ্ট অমা ওইরুদবনা মরম অদু ৱাখলসিনা লামশিল্লুবসু ঙমখিদে। অদুবু বেঙ্কিং সেক্টরদা হিংনবগী শিনফম ওইনা থবক শূদুনা লেল্লকখিবা সেক্টরসিদা থবক শূরিবা শিন্মীশিংগী রাইট তান্নবা, কষ্টমরশিংগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা লিংবা ত্রেদ য়ুনিয়নগী থৌমী ওইরকপনা, 'লায়রবগী মায়োক্তা, শেঞ্জাও পায়বশিংগী মীচংদা লেপ্পা লৈঙাক্কী থৌশিল'গী মায়োক্তা মতম চূপ্পদা লাম্থেংনদুনা লাকখিবনা 'আর বি আই'দা ওইরক্লিবা অওনবা অদু লৈবাকসিগী অফবা নত্তে খন্দুনা লাকখি। ইরোই লোইবদা লৈঙাকসিগী অচানবা ব্যুরোক্রেট ওফিসর 'শক্তিকান্ত দাস'পু আর বি আইগী গভর্ণর ওইনা থৌ পুহল্লকপদুদা খনখি - হৌজিক্তি ইন্দিয়ন ইকোনোমি- ইকোনোমিষ্টশিংগী খূত্তা লৈতরে, পোলিটিসিয়নশিংগী খূবাম'নুংদা লৈখরে... পব্লিক সেক্টর বেঙ্কিংগী নুমিৎ মশীং কল্লক্লে, মশীং য়াম্লবা লমদমসিগী মীয়াম ইনাক-খুনবা, সুপর-রিচ, মখোয় খুজোক খরগী খূবাম্ন'ুংদা তাখ্রগনি। কুমজা ১৯৯১- ন্যু ইকনমিক পোলিসি চৎনবা হৌরকখিঙৈ, ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দ অমদি ৱর্ল্ড-বেঙ্ক'কী য়াকা য়েংলগা শেল-থুমগী থৌশিল য়াৎপা মতমদুদগী মপান থোক্লকখ্রবা পোলিটিসিয়নশিংগী খোম্থোক্লি 'হৌজিক্তি নেসনেলাইজ বেঙ্ককী সোসল বেঙ্কিংগী মতম অদু লোইখরে, প্রোফিট-মেকিংগী মতমনি'। চহী ২৭কী মমাঙদা শেমখিবা 'নরসিমহম কম্মিটি' না হায়খ্রবনি - 'নেসনেলাইজ বেঙ্ক মশীং য়াম্না থল্লুবগী কান্নদে, অকনবা-অচৌবা-ইন্টরনেসনল-লেবেল'দা হিদান্নবা (কম্পিটিসন) য়াওবা ঙম্বা বেঙ্ক মরি/মঙাখক থল্লগা লোইরে, বেঙ্কশিংসি লৈঙাক্কী খুদোংচাবা য়েংলগা অমগা অমগা পূনশিনহল্লু'। অদুবু, মতমদুদা বেঙ্ক-ইমপ্লোয়ীশিংগী ত্রেদ য়ুনিয়নশিংদা লৈরম্বা মপাঙ্গল, মতম মতমদা পানখিবা গভর্ণমেন্টশিংগী লৈতাদবা মতৌ অদুনা কম্মিটি অদুগী রিকম্মেন্দেসন, থবক ওন্থোক্লবা মথৌনা লৈখিদে। গভর্ণমেন্ট অমগী মথংদা অমা কম্মন এজেন্দা ওইনা থবক চথ্নরকই - বেঙ্ক য়ুনিয়নশিং মপাঙ্গল শোন্থহনবা, অনৌবা থবক হাপ্তুবা, হেন্না হেন্না তমথীবা বেঙ্কিং-সেক্টর-রিফোর্ম-কম্মিটি শেম্বা।

হৌজিক্তি, লৌনীংবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা থিংবীনবা লৈত্রবা, মপাঙ্গল কল্লবা লৈঙাক অমা লৈরে। মোদিগী লৈঙাক, ব্রেক-য়াওদ্রবা, য়াঙনা থৌরিবা গাড়ী অমগুম্বনি। বেঙ্ক য়ুনিয়নসু হান্নগুম্না মতিং লৈতরে। বার্গেনি পাৱর হন্থরক্লে, মূক্লবা থৌনা লৈরক্ত্রে। বেঙ্ক মর্জর এন্দ একুইজিসন পোলিসি-হনবা লৈতা পাঙথোরক্লে। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী সবসিদিঅরি বেঙ্ক তরেৎ, য়ুনিয়ন লিদরশিংগী অথিংবা কয়া নমহত্তুনা অমত্তা ওইনা পূনশিনখিবদুনা থৌনা হাপ্লবা গভর্ণমেন্ট'সিনা, দেনা বেঙ্ক অমদি বিজয়া বেঙ্কপুসু বেঙ্ক ওফ বরোদা'দা পূনশিনহন্দুনা পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক মশীং ২০১৭তা ২৭ লৈরম্বদু ১৮দা হন্থহল্লকখি। ইনৌ নৌনা, ফাইনান্স মিনিষ্টর'না অমুক লাউথোরকই - অতোপ্পা বেঙ্ক তরা অমসু, অমগা অমগা পূনশিন্নহন্দুনা মরিখক ওইহল্লগনি। হৌজিক্তি, ইন্দিয়ন পব্লিক সেক্টর (নেসনেলাইজ) বেঙ্ক তরানিথোইখক্তা ঙায়রগনি।

অচৌবা বেঙ্ক ওইহন্দুনা মালেমগী (গ্লোবেল) ইকোনোমি'দা শরুক য়াবা ঙম্বা বেঙ্ক ওইহনবগী পান্দমদা বেঙ্ক-মর্জর পাঙথোকপনি - লৈঙাক্লা হায়জরগসু, মীচম অমগী মীৎয়েংদগী, থৌওংসিনা কয়া মাঙজবা অমদি বেঙ্ক য়ুনিয়ন'না করিগীদমক বেঙ্কশিং পূনশিনবা য়ানীংদ্রিবনো হায়বদু হয়েং নৈনজরক্কে। ঙসিগী ওইনদি ৱাফম অমত্তং ফোঙদোক্লগা তেনশিনজগে।

ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী থাক ঙসি কয়ামুক য়াম্না শোকচিল্লবগে হায়বদু হন্দক ফোঙখিবা 'সেন্ত্রেল ষ্টেটিষ্টিক্স ওফিস'কী রিপোর্ট'তা পল্লিবা কুমজা ২০১৯-২০গী অহুমশুবা ক্বার্টরগী জি দি পি গ্রোথ অসি শুপ্নগী চাদা মঙা (৫%) খক ওইদুনা, হৌখিবা চহী তরুকসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হন্থবা থাক অমদা লৈরে হায়বসিনা তাকই। শোকচিল্লবা ইকোনোমি অসি মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখলদগী তান্থোকখিনবা, অমরোমদা থৈদোকখিনবা থওইনা শিনবা পোথি (নত্তবা পান্থে) অমনি - ইকোনোমিক এক্সপর্টশিংনা হায়রক্লিবসিগী অচুম্বা লৈ।

আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী থৌনা অদুগীদমক মোদিবু ঐনা থম্মোয়গী থূপ্লবা কাচিন অমদা থাগৎলবসু, মহাক্কী ইকোনোমিক থৌশিল অসিদি থম্মোয়সিনা য়াবা শুকঙম ঙমদে। থৌশিল অসি অসুম মখা চথ্নরবা, য়েংবীয়ু শোয়রোই, লাক্কদৌরিবা চহী মঙাদা ক্রাইম রেট মশীং খঙদা হেনগৎলক্কনি, চহী তরাগী তুংদদি ইন্দিয়া পুমচাই চাইগনি। মণিপুরদি লৈতবসু য়াই।

লৌশিং পুক্কে

## নুপীশিংনা মীরোল্লমদাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অঙাং শিনা পোল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবগা লোয়ননা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই



নুপীশিংনা মীরোল্লমদাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অঙাং শিনা পোল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবগা লোয়ননা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়না অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙ্দোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা বোষ্টোন য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ পব্লিক হেল্‌ঠকী য়ুজিন দিল্লর্কনা হায়রি, ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকোলোজি, মিদৱাইফ, পাইমারি ক্যের ক্লিনিসিয়ন অমসুং হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমক্লা নুপীশিংবু হকচাংগী অরূম্বা হেলহন্দনবগী মতাংদা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই। নুপী ওইবীশিংনা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অঙাংগী হকশেলদা চাউনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসি ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না দিল্লর্কনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

'ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনিকো-লোজি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়রি, নুপীনা মীরোল্লমদাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবনা অঙাংগী হকশেলদা করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা থিজিনখিবনি। রিছার্চরশিংনা কুমজা ২০১২ দগী কুমজা ২০১৩ ফাওবা য়ু এসকী ষ্টেট ৩৮ দা নৌনা পোল্লকপদা ঙাইরিবা অঙাং লাখ ৬০ গী মরমদা থিজিনখি। মমাগী অৱাংবা, মীরোল্লমদাইদা ওইখিবা হকচাংগী অরূম্বা অমদি বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) নচিংবসু কুপ্না নৈনরম্মী। নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লমদাইদা হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি অঙাং শিবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। হকচাংগী অরূম্বা চপ চাবা নুপীশিংনা পোল্লকপা অঙাংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা নুপীশিংনা পোকপা অঙাংনা শিগনবগী রিস্ক চাদা ৩২ রোম হেল্লি হায়রি।

সেন ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওবষ্টেট্রিক, গাইনিকোলোজি এন্দ রিপ্রদক্টিভ সাইন্সেস অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী মেরিলেন্দ পোপ্যুলেসন রিছার্চ সেন্টরগা পুন্না থিজিনবদা খঙলকখি মদুদি অঙাং পোকপা য়াবা চহী মতাংদা লৈবা নুপীশিং, মরুওইনা মখোয়গী চহী ২০ দগী ৩৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী চাদা ৩২ হকচাংগী অরূম্বা হেল্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা অঙাং উনবা মতমদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লকপা য়াই। অঙাং শিহনবা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি গেষ্টেশনেল দাইবেটিস (মীরোল্লিঙৈদা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপা) ওইহল্লকই। ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপদগী মরুওইবা হকচাংগী কয়াৎশিং, খুদম ওইনা কিদনিগুম্বা মাঙ-তাকহল্লকই। হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি মীরোল্লিঙৈ মনুংদা ঈশিং য়াফম (য়ুরিনরি ষ্ট্রেক্ট ইনফেক্সন) হৌবগী অৱাবা মায়োক্লে।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, হকচাংগী অরূম্বা হেল্লবদি নোর্মেল দেলিভরিদা অঙাং উনগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা নুপী কয়া ইখঙ খঙহৌদনা থাঙ থাদবা য়াদবগী ফীভম মায়োক্লরকপা য়াই। অয়াম্বা মতমদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা নুপীশিংনা পোল্লকপা অঙাংশিং মেক্রোসোমিয়াগী রিস্ক মায়োক্লে। মেক্রোসোমিয়া হায়বসি কা হেন্না চাউবা অমসুং লূম্বা অঙাং পোল্লকপগী থৌওংবুনি।

কনাগুম্বা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা নুপীশিংনা মীরোনগে খল্লবদি মাঙজৌননা হেল্‌ঠ ক্যের প্রোভাইদরগা তান্নদুনা চাকচা-য়ুথক অমদি পুন্সি মহিং শেমদোক্কদবনি অমসুং হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনগদবনি। মীরোল্লিঙৈ মনুংদা ফোলিক এসিদ, আইরন, কেলসিয়ম অমদি অতৈ মরুওইবা ন্যুট্রিয়ন্ট কয়ামরুম চাং ৱাংনা চাবগী তঙাইফদবা লৈবনিনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলক্কনি। মরম অদুনা মীরোন্দ্রিঙৈদা য়ারিবমখৈ হকচাংগী অরূম্বা চপ চানা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।

খ্বাইদগী মরুওইবা পান্থেদি মীরোন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগদবনি। মৈখু, য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি। মতৌ অসুম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মতমদা মমা অমদি মচা অনীমক মশা মউ ফহনগনি।

## ওজাগী এৱার্দ পীবগী মওংদা চীংমৈ অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা পেন্দ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস): এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেটনা হন্দক চহীগী ওইনা ওজাগী এৱার্দ পীবগী মওংদা চীংমৈ অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা প্রেন্দে হায়না কম্মিটিগী কনভিনর ও সনাথোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মতম অমদা মহৈরোয় অমত্তা লৈরমদ্রবা চীংমৈ অপ্পর প্রাইমরি স্কুল অসি ওজা বিনোয়না হেদমাষ্টর ইন-চার্জ ওইনা লাকপদগী স্কুল অসিগী অৱাৎ-অপা খুদিংমক মশাগী পোকেত্তগী পুথোক্তু‌না হোৎনরকপদগী মহৈরোয় লৈরক্তুনা প্রাইমরিদগী অপ্পর প্রাইমরিদা ওনখৎলকখিবনি। দিপার্টমেন্টনা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হন্না য়েংবিদবদগী ঙসিদি স্কুলগী ৱাল খুদিংমক চেকখায়রে। য়ুহা হাবদগী ফল্লাং তজ্খায় অমা কীন্থখ্রবা ক্লাসরুম ঙসি ফাওবা শেমজিনবিয়ু য়াদনা লাক্লি।

স্কুল অসিগী ফ্লোরিংসু লৈবাক ঙাক্তা ওইবদগী লৈক্রক চৎলক্তুনা লিন ফাওবা থোক্লকপা য়াওখ্রে। দিপার্টমেন্টতা ফ্লোরিং তৌবিনবা হায়জবদা তাবীদবদগী হেদমাষ্টর ইন-চার্জনা লন্নাই শেল পুথোক্তুনা স্কুল অপূম্বা লূপা ৭০,০০০ চঙনা ফ্লোরিং তৌশিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক তম্বীবদা কায়হন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি। স্কুল অসি হেক হৌরকপদগী লৈঙাক্কী ওজা অনী-অহুমতনা চলাইদুনা লাক্লি। ক্লাস ৱান এ, বি দগী সেভন ফাওবগী ক্লাস রুম ৯ অসিগী অৱাৎপা ওজাশিং লৈঙাক্লা থাবীরক্তবদগী হেদমাষ্টর ইন-চাজ'না মশাগী থাগী তোলোপকী তজ্খায় অমা কখোক্লগা ওজা ৬/৭ নেক্তুনা লিশাং শীৎনা স্কুল অসিবু চলাইদুনা লাকপনি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা হন্না য়েংবিদবদা নত্তনা তৌজরিবা থবকশিং অসিবু শক-খঙবিদ্রি।

স্কুলগী অৱাৎপশিং শেমগৎপীনবা অমদি অৱাৎপা ওজাশিং থাবীরক্লবা কয়ারক হন্না ৱাকৎখ্রে। পাউচেদা ফাওবা হাপখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা হন্না য়েংবিরক্ত্রি। অসুক চাওবা স্কুল অসিবু হেদমাষ্টর ইন-চার্জ অমদা মানা থোকপা চলাইজসনু, ঙমদ্রগনা মূৎখ্রসনু হায়বগী মওংদা থাদোক্তুনা থল্লিবসি পেরেন্টশিংনা পেন্দে।

প্রাইভেৎ স্কুলশিংনা চেঙ্গুম শৌবগুম শৌনরক্লবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা শিথনরক্লবা মতমসিদা স্কুল অসিসু প্রাইভেৎ স্কুলশিংদগী তাদনবগীদমক হেদমাষ্টর ইন-চাজ'না মতম-মতমগী ফঙ্কশনশিং, স্পোর্ট, ফেলিসিতেসন, এন্নুএল প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন, এগজাম, অতৈ কম্পিটিসন কয়া শিন্দুনা লাক্লি। প্রোগ্রামশিং অসিগী অচঙবা শেনফম খুদিংমক মহাক্লা পুথোক্তুনা লাক্লিবনি। চৎলিবা চহী ২০১৯ অসিগী ওইনা স্কুলগী অসিগুম্বা প্রোগ্রামশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপা অমদি এনগেজ তৌবা ওজাশিংগী ওনরেরিয়ম পীবনচিংবদা ঙসি ফাওবদা হেদ মাষ্টরনা লুপা লাখ ২.৫গী মথক্তা পুথোকখ্রে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীদি ঙসি ফাওবা লুপা অমফাওবা পীরকপা লৈত্রি।

মশাগী তোলোপ তজ্খায় অমা পুথোক্তুনা কখোকপা অমগা লোয়ননা শিরুরবা স্কুল অমবু হিংহল্লক্লিবা ওজা অসিবু মশক খঙবিদুনা লোকেলিটিনা এৱার্দ কয়া পীদুনা ইকায় খুম্নবা লৈখ্রে। জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসরনা ২০১৭ দা ইকায় খুম্নবিখ্রে, ২০১৮ দ বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা কম্মেন্দেসন সর্টিফিকেট অমদি দেসাম্না ২০১৯ দা প্রোফিসিএন্সি সর্টিফিকেট (চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবা) এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবিখ্রে। অসিগুম্লবা ওজা অমবু এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেৎনা হন্দক্কী ষ্টেট এৱার্দ পীবদা য়াওহল্লক্তবসি চীংমৈ অপ্পর প্রাইমরিগী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা পেন্দে।

স্কুল অসিগী অৱাৎপা ওজাশিং লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা থাবিরকউ। করিগুম্বা থাবীরক্তবা তারবদি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংগা খূৎশম্নরগা স্কুল থিংজিনবগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম, রেল্লি, দিপার্টমেন্টতা লাইরিক সরেন্দর তৌবনচিংবা মখল কয়াগী খোঙজঙশিং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): যোগ ট্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্টর মণিপুর, পিশুমথোং ব্রাঞ্চতা থৱায় য়াওনা যোগ শান্নরম্বা অমদি যোগগী থৌরমদা শরুক য়ারম্বা মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা য়াইমনা ইখং খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। সেন্টর অসিগী শান্নরোয়শিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৬।০৯।২০১৯, ইরাই,
লাংবনগী ৮নি পানবা।

মেষ: অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্নবা, অফবা লন লেপশিনজবা, অপানবা লন চংবা, মীনা লাকচবা ঙম্লোইদবা নুমিৎনি। মরুপ্পদি চানবীদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : চাদিং হন্থবা ঙমগনি, পাঙ্গল ফুদোক্লা পাংবা য়াবা থবক পূম্বা পাংবা মায় পাক্কনি। অশা হেন্না চাউবা অমদি হোয়া ফবদি লাইবক থীবা নংগনি। শঙ্ক চাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : ঙসিসু খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাউ থাবা য়াগনি অমদি অনৌবা থবক মায় পাক্কনি। ৱাদি য়াম্না ঙাঙগনু,মরৈসু য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা, লাইবক ফবা, শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাকপা হেনগৎপা অমদি ৱানোম-থৌনোম কান্নবা লৈগনি। অরাপ্পা লোয়নবদি কান্নবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন য়াঙগনু-মায়দি পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : নিংহন্নদনা মাঙলোমদা চংশিল্লু-শোইদনা মায় পাক্কনি। ঙসিসু মীয়াম লোয়নবা অমদি মীয়ামগী থবক পাংবা শোইদনা মায় পাক্কনি। লল্লোনবদা চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : ৱাখল খরা ফাথরদি নুংঙাইবা অমদি শেল ফংগনি। হেনজিন্না পামশিনগনু অমদি হোয়া ফগনু। পন্দুনা লৈরম্বা থবক্কী পাউ তাগনি, নক্লবা লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : অফবা থবক পাংগনি, মীচংসু হেনগৎকনি,অফবা লৌশিংনা কান্নবা য়াম্না তানশিনবা ঙমগনি। নচা-ননাইগী লম্‌দা পূক্নিং নুংঙাই। অফবা মফম কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীয়াম্না য়াবা থবক পাংহৌরো-শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি শেলসু য়াম্না তিংলোই। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা খ্বাইদগী অশিংবনি হায়নগনি। পংশিন্নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎলদি কাইনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : হরাউবা, পূক্নিং পেঞ্জবা অমদি অকিবা লৈতবা অমদি অফবা থবক পাংবা ঙম্বা লৈগনি। অঙম্বনা ইমুংদা অকাইবা পীবা লৈগনি শোকপা য়াবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্লা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : মরুপ-মপাংনা তাথি, ফংবা য়াবা ফংদবৈ পেন্দবা অমদি অঙম্বনা তাথিবা য়াবা লৈ। ফিংগনু অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। নরল মাঙদনবা চেকশিল্লু -য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : মীনা ইনশিনবা লৌরদি মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই অমদি লম চৎপা চেকশিল্লু। নথক থোংববু অচুম্বনা লায়না খুদুম চনবা ঙমগনি। থিজিনবা কনবৈ কান্নে।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : মীয়াম্না য়াম্না য়াবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাওনা কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। অনৌবা থবক্তা খুৎচাউ থাবা য়ারনি। য়েক্লবনদি তাথিরি-নোল্লুক্লদি চৎখো।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## 'পোর্ট্রেটস'

আর কে এলেক্স



RK Alex is a 16 year old student and artist from Phumlou. He loves to draw portraits on leaves